CAREERINDIA

**93.** 'প্রমাণ পাম্থে কয়ানা যুগ যুগ কয়াশিদা পূম্নমক্কী অপেনবা ওইরি।' মসিদা য়াওরিবা প্রমাণ পাম্থে অসি —

(1) কম্পাউন্দ ৱার্দনি। (2) ফ্রেজনি।

(3) ক্লোজনি। (4) কমপ্লেক্স ৱার্দনি

**94.** 'শক্লোন য়াম্বা লোক সাহিত্যনি।' ৱাহৈ পরেং অসি —

(1) অচম্বনি (2) ইম্পরেটিভ

(3) এক্সক্লেমটরী (4) দিক্লারেটিভ

**95.** লোকসাহিত্যগী শক্লোন করিনো ?

(1) শক্লোন মখল মখলনি। (2) শক্লোন য়াম্মী।

(3) শক্লোন য়ামদে। (4) শক্লোন তোঙাল তোঙাল্লি।

**96.** মীয়ামগী চীন্দা পুরিবা সাহিত্যনা মণিপুরী সমাজদা করি পুরক্লি ?

(1) অমগা অমগা নুংশিনবা পুরক্লি। (2) থম্মোয়গী য়াৱা পুরক্লি।

(3) জাতীসিবু মশক তাক্লি। (4) অমগা অমগা খঙনহন্দে।

**97.** সমাজ অমবু মশক খঙগে হায়রবদি করি নৈনবা তাই ?

(1) লোকসাহিত্য নৈনগনি। (2) য়ুমলৈ কৈরৈ নৈনগনি।

(3) ঈশৈ নোংমাই নৈনগনি। (4) ফিজেৎ চাকচা নৈনগনি।

**98.** জাতি অমগী লোক সাহিত্য হায়বসি। জাতিদুগী —

(1) অশেংবা থম্মোয়গী ৱা তম্বনি।

(2) সমাজ অমা মশক তাক্লিবনি।

(3) সমাজ অমগী মীংশেলনি।

(4) ঈশৈ নোংমাইনি।

**99.** সমাজ অমবু মশক খৎনবা তান্নরকপদা মরু ওইনা থিজিন্নরকইবসি করিদনো ?

(1) সমাজ অদুগী চাকচা য়ুথক্তনি।

(2) সমাজ অদুগী চৎনা লোনচৎতনি।

(3) সমাজ অদুগী ঈশৈ নোংমায়দনি।

(4) সমাজ অদুগী লোকসাহিত্যদনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

105. উচ্চরি ৱাবদি

নুংশিগী মৈচাক্তি

কল্লিদা নুংশিগী লীচিংসে।

অনিগী নুংশি লীচিংসি কনানা পীবনো ?

(1) বসন্ত ঋতুনা (2) লৈচিল না (3) তাইবঙ মপুনা (4) মঙান্না

106. স্কুলদা লাইরিকতম্বদা মল্তিলিঙ্গ্যালিজমসি লননি হায়রিবসি —

(1) ঙন্মীবামখে লোন ময়াম তম্বীবা য়াই।

(2) ইদুকেসন পোলিসিদা লোন লৌখৎপদা অরাইবা মওংদা তৌবনি।

(3) ক্লাসরুমদা মহৈরোইশিংগী লোনশিং শিজিন্নবনি।

(4) ক্লাসরুমদা মসি মেথদ অমা ওইনা শিজিন্নবনি।

107. লোন তম্বদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে ?

(1) লোনসি মাগী মথৌ লৈবগী মতুংইন্না চাওখৎলকই।

(2) লোনসি ঙাংবা, ইবা, মওং লাকপা অমসুং লেংবা চংই।

(3) লোন তম্বসি লোনগী শওং-শদা অমসুং চৎন পথাপ তম্বদা ওই।

(4) লোন শিজিন্নবনা ৱাখল হেন্না ফজনা খনবা ঙমবগী মতেং ওই।

108. মখাগীশিংসিদগী করম্বনা পোর্তফোলিও অসাইনমেন্তনো ?

(1) খোমজিনবা অমসুং মহৈরোইশিংনা তমখিব শিংদু রেকোর্দ তৌবা অদুগা পুল্লপকী ওইবা এসেসমেন্ততা শিজিন্নবা

(2) মহৈরোই খুদিংগী চহী চুপ্পগী তম্বা অমসুং তম্বীবগী রেকোর্দ খোমজিনবা

(3) টার্ম পরিক্ষানা পুল্লপকী এসেসমেন্তে ওইহনবা

(4) চহী চুপ্পা তৌবা ফোর্মেল টেস্টনা এসেসমেন্ত তৌবা

109. ওজা অমনা ৱাহৈগী অরোইবদা 'nt' and 'nd' খুদম ওইনা 'plant', 'blend' সি পিরগা ৱাহৈশিংদু ফজনা হায়য়ু হায়। মসিগী জুরাসিবু করি কৌবগে ?

(1) কমপারেতিভ জুরা (2) ওন্ন-তৈনবা জুরা

(3) চাং মান্নবা জুরা (4) খেননবা জুরা

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**110.** মখাগীশিংসিদগী ইন্দিয়া গোভর্নমেন্তনা ক্লাসিকেল লোনশিংনি হায়না শকখংবগে ?

(1) সংস্কৃত, তামিল, দোগরি, কন্নাদা, মলায়ালম অমসুং ওডিয়া নি।

(2) হিন্দি, তেলেগু, কন্নাদা, মলায়ালম, সংস্কৃত অমসুং ওডিয়া নি।

(3) সংস্কৃত, তামিল, তেলেগু, কন্নাদা, মরাঠী অমসুং ওডিয়া নি।

(4) সংস্কৃত, তামিল, তেলেগু, কন্নাদা, মলায়ালম অমসুং ওডিয়া নি।

**111.** গৌরভনা রসকিন বোন্দগী ৱারিমচা পাম্মী অদুনা মতম ফংবগা পাই। মসিগী খুৎপাসি করি কৌই —

(1) চাওরাক্ল পাবনি।

(2) খুদিংমক পাবনি।

(3) পাকশন্না পাবনি।

(4) মনুংহুৎনা পাবনি।

**112.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা গ্রুপ শেল্লগা তোপিক খল্লগা সহরদা কোইনা চৎলগা য়েংলগা মচাক খোমনবা হায় অদুগা মমান্নবশিংগা খন্নরগা রিপোর্ত অমা ইয়ু হায়। মসিবু করি হায়না খংনবগে ?

(1) হোমৱার্কনি।

(2) অসাইনমেন্তনি।

(3) প্রোজেক্ত ৱার্কনি।

(4) সোসিয়েল সাইন্সকী ৱার্কনি।

**113.** ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন্না নোংজুথাদা লৌখৎকদবা থবকশিংগী মতাংদা ইৱা চে অমা ওজা অমনা থেংনৈ। মসি মহাক্ল ক্লাসরুমদা পাবা অমসুং ৱাহৈশিং তম্বীবগীদা শিজিন্নৈ। মসিগী চে অসি করি কৌবগে ?

(1) অশেংবা মচাকনি।

(2) অচুম্বা মচাক নত্তে।

(3) লোন তম্বগীনি।

(4) হাপকদবা মচাকশিং খংদোকপনি।

**114.** মমালোন্দা য়ুমফম ওইরগা লাইরিক তম্বসি করিনো ?

(1) মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বা হৌবদা মমালোন্দা হৌরগা অতোপ্পা লোন মথং-মথং হাপচিনলকই।

(2) মহৈরোইশিংনা সবজেক্তকী মচাকশিং মমালোন্দা তমলগা অদুগা মতুংদা ইংলিশ মেদিয়মদা তম্বনি।

(3) মহৈরোইশিংনা মমালোন্দু লোন ওইনা তম্বা অদুগা মথংদা ইংলিশ মেদিয়মদা তম্বা।

(4) মহৈরোইশিং অহান্বা ক্লাসতগী ইংলিশ তম্মী অদুদগী ইন্দিয়াগী লোনশিংগী মেদিয়মদা তম্মী মথংদা ময়াই ওইবা তাংককতা ইংলিশতা তম্মী।

**115.** মখাগীশিংসিদগী মহৈরোই মরক্তা পাবা হৈরকপগী পান্দম নত্তবদু করম্বনো ?

(1) টেক্স অমা পারিঙৈদা নাকোইননা শমজিনবনি।

(2) হান্নগী লৌশিংগা টেক্সতুগা শমজিন্নবনি।

(3) লোনগী ৱাহন্থোক খংনবনি।

(4) ওজানা পারবা মতুংদা লাওনা হন্না পাবনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**116.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা অশেংবা সাইন লেঙ্গ্যাজনো ?

(1) সাইন লেঙ্গ্যাজগী গ্রামার লৈ।

(2) সাইন লেঙ্গ্যাজগী গ্রামার লৈত্তে।

(3) সাইন লেঙ্গ্যাজসি মাই-মিৎ খুৎ-শা অমদি অতৈ হকচাংগী শরুকশিংনা লেং ওৎপসিনি।

(4) সাইন লেঙ্গ্যাজ পৃথিবী শিন থুঙই।

**117.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা ''Interaction hypothesis'' তা ঙাকলৌ ওইদবগে ?

(1) খনদোক্লবা তোপিকশিংদা গ্রূপ প্রোজেক্ত তৌবনি।

(2) মহৈরোইশিংনা শনতা ইননবা  তানজা পিবনি।

(3) গ্রূপতা তৌবা, জুরা শারগা তৌবা, ক্লাস পুল্লপকী ওইনা তৌবা।

(4) ওজানা পারা তাকপা অমসুং চিনহায় (dictation) তৌবনি।

**118.** ক্লাস VI কী ওজা অশানা গ্রামারগী রিপোতেদ স্পিচসি ৰাহৈ পরেং অমমমগী খুদমদা তম্বী মহৈরোইশিংদা মহাক্ল ঔরাইনবা পারা য়াম্না পি অদুগা দাইরেক্ত স্টেটমেন্তশিংদু ইনদাইরেক্ত স্টেটমেন্ততা ওনথোকউ হায়। মসিগী স্ট্রাতেজি অসি করি হায়না খংনবগে ?

(1) পেদাগোজিকেল গ্রামারনি।

(2) লাইরিক তৌরগা ৰাখল পুথোরকপনি।

(3) মনুং হুৎনা ঔরাইরগা গ্রামার তম্বা।

(4) হৌজিক তৌবা ঔরাইবনি।

**119.** উত্তর প্রদেশকী নোংপোক থংবদা ঙাংবা হিন্দিসি উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবদা ঙাংবগা খরা খেন্নৈ। মসিগী খেন্নবসি করি কৌবগে ?

(1) মখোয়সি হিন্দিগী দাইলেক্তনি।

(2) মখোয়সি অতোপ্পা লোনশিংনি।

(3) মখোয়সি হিন্দিগী দাইলেক্ত অমগী মনুংদা লৈ।

(4) মতমগী মতুং ইন্না মখোয়সি মপুংফাবা লোন ওইরক্কনি।

**120.** অঙাং অমনা লোন অনৌবা অমা তম্বদা মহাক্ল ঙাংবা অমসুং শিজিন্নবদা মতম চংই। মসিবু করি হায়না খংনবগে ?

(1) ওভজরভেসন মতমনি।

(2) ঙাংদবা মতমনি।

(3) ক্রিতিকেল মতমনি।

(4) বেবলিং মতমনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**143.** নিলিমানা তৌরিবা থবকসি ফিজিসিয়াননি মহাক্না COVID 19 ভেকসিননা করম হায়না মথৌ তৌবগে ইবা অনৌবা লাইরিক অমা লৈরকই। মানা প্রাকতিস তৌনবা অমসুং মহৈরোইদা তম্বীনবা পারে। মসি পাবা মওংসি করি কৌবগে ?

(1) পাকশন্না পাবা (2) খুদিংমক পাবা

(3) চাওরাক্না পাবা (4) মনুং হুৎনা পাবা

**144.** ক্লাস VI কী মহৈরোই রহীমনা মহাক্কী হান্নগী লৌশিং শিজিন্নদুনা মহাক্না পারিবা লাইরিকতুগী ৱাহন্থোক খংনবা হোৎনৈ। মহাক্না পারিবসি করম্বা মোদেল শিজিন্নরিবনো ?

(1) তোপ-দাউন মোদেলনি। (2) বোতম-অপ মোদেলনি।

(3) প্রোসেস মোদেলনি। (4) প্রদত্ত মোদেলনি।

**145.** অশেংবা (authentic) তেক্স হায়বসি করিনো ?

(1) অতোপ্পা মরমগী শিজিন্ননবা ইবা টেক্স অদুগা তম্বা অমসুং তম্বীবদা শিজিন্নবদুনি।

(2) টেক্সবুক ইবশিংনা অতমননা ইবা টেক্স তম্বা অমসুং তম্বীবদা শিজিন্নবদুনি।

(3) টেক্সবুক লোন তম্বা অমসুং তম্বীবদা শিজিন্নবদুনি।

(4) লোন তম্বা অমসুং তম্বীবগীদমক্তা ওজাগী ওইনা টেক্স শেম্বনি।

**146.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা সহরগী নত্ত্রগা খুনগী অকোইবদা চৎলগা নিংশিং খুভমশিং অমদি মরুওইবা মফমশিংগী মচাক খোমলগা লম য়েংবা লাকপা মীশিংগী পোস্টর অমা দিজাইন তৌনবা হায়। মসিগী থৌদৌসি করি হায়না খংনবগে ?

(1) প্রোজেক্তকী থৌদৌনি। (2) প্রোজেক্তকী থবকনি।

(3) এসাইনমেন্তনি। (4) পুল্লগা তৌবা থবকনি।

**147.** পাবদা ৱাহন্থোকসি করিনো ?

(1) ৱাহৈগী ৱাহন্থোকনি।

(2) ৱাহৈগী অচুম্বা খোনথোক লৈনবা তুমীন্না হায়বনি।

(3) গ্রামারগী মচাকশিং খংনবা তুমীন্না হায়বনি।

(4) ৱাহন্থোক লাকহন্নবা হোৎনবদা তুমীন্না হায়বনি।

www.careerindia.com

